## ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি –২০ ত্রোফি ২০১৮

# পিসিসি ময়াইকোইবী, ফোর্স খেক্কিগাও অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ

লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চত্থরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি–২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পিসিসি ময়াইকোইবী, ফোর্স খেক্কিগাও অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পিসিসি ময়াইকোইবীনা সিদিসি শগোলবন্দবু রন ৪১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পিসিসিনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১০৬ লৌবা ঙমখি।

পিসিসিগী বেটচমেন তাইসননা বোল ৪১ দা থুনা য়াংনা রন ৫৪ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফঙবা ঙমখি। অদুগা অহানবা ইন্নিংস বেট্টিং তৌখিবা রাকেসনা আউত ওইদববিদা বোল ২১ দা রন ২৩ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সিদিসিগী বেটচমেনশিংনা অপীবা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৪তুরগা তারগেট য়ৌবা ঙমদনা শুপ্নগী রন ৬৫ লৌদুনা রন ৪১দা ময়াইকোইবী টিমগী মখুৎতা মায়থিখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা বেট্টিং তৌখিবা মোহিৎনা বোল ২৫ দা রন ২৩ অদুগা ললিৎনা বোল ১৮দা রন ২৬ লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ফোর্স অমসুং য়ুসিসি অনীনা শান্নখিবা মেটচ ফোর্সনা য়ুসিসিবু ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ুসিসি না তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১২ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৫৮ লৌবা ঙমখি।

বেটচমেন রগোবনা বোল ২৫দা রন ২৪ লৌখি । অদুগা সরবননা বোল ৮দা রন ৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা ফোর্সকী বোল্লর অসরনা ৱিকেট ৩ অদুগা সলমান অমসুং কশিমনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী পাউখুমদা বেট্টিং তৌখিবা খেক্কিগাওগী বেটচমেননা ওভর ১০.৩ দা ৱিকেট ২ তুরগা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমখি।

ফোর্সকী বেটচমেন অসরনা আউত ওইদবীদা বোল ১৩ দা রন ১৪ লৌখিবগা লোয়ননা মমাংগী ইন্নিংস ৱিকেট অহুম লৌবা ঙমখিদুনা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ইএসয়ু ৱাংখৈবু ৱিকেট ৭তা মায়থিবা পীখি।

ইএসয়ুনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ১৫দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৬৩ লৌবা ঙমখি।

অদুগী পাউখুমদা সাইক্লোনগী বেটচমেনশিংনা ওভর ১২.১ দা ৱিকেট ৩ তুরগা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৭তা ইএসয়ুবু মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা ইন্নিং সতা বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোনগী হোমেন্দ্রোনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা কেএসদিও অমসুং পিএসসি খুয়াংথোং শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা টিসিএমদিসি থোংজু অমসুং চেম্প খাগেম্পালি থেংনগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচতনা ব্লু হোগ খুরাই অমসুং এসএসয়ু শিংজমৈ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# মণিপুরগী সরজু অমসুং নেলসননা ইন্টরনেসনেল জিৎ কুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ







রিপব্লিক ওফ উজবিকিস্টানগী জর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরিবা ইন্টরনেসনেল জিৎ কুনদো চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোই অনী এল সর্জু চনু অমসুং এম নেলসন সিংহ অনীনা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল অনী সিলভর মেডল অমা ফঙবা ঙমখ্রে।

সর্জু চনুনা নুপীমচাগী সব–জুনিয়র কেতেগোরিগী কেজি ৫১ মথক লাইট কন্টেক্ট ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

অদুগা নেলসননা সব–জুনিয়র নুপামচাগী কেজি ৪৫ মখাগী কেতেগোরিগী ফুল কন্টেক্ট ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সিলভর মেডল লৌখিবা শান্নরোই অদুদি য়ুপিগী লগ লাক সরকার না সব–জুনিয়র নুপামচাগী কেজি ৩০ মখাগী লাইট কন্টেক্ট ইভেন্টতা সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখিবনি।

# কেলবিন অমসুং বেনরজি দেবীনা নুপা অমসুং নুপীমচাগী লমজেলদা অহানবা মনা ফঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ



দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটি আরএমএসএ থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ৱাংজিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অনী ১০০ মিটর রেষ্ট অমসুং সোর্ট পুট ইভেন্ট অনীগী নুপা অমসুং নুপীমচাগী অথোই–অহেন তান্নবদা ১০০ মিটর রেষ্টকী ওইনা ন্যু আইদিয়েল হায়স্কুলগী দব্লিউ কেলবিন সিংহনা নুপামচাগী অদুগা হৈরোক হায়স্কুলগী এন বেনরজি দেবীনা নুপীমচা কাংলুপকী অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখ্রে।

ইভেন্ট অসিগী নুপামচাগী কাংলুপ্তা ন্যু আইন্দিয়েল হায়স্কুলগী ও সুরেস কুমার শর্ম্মনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং ৱাংজিং হায়স্কুলগী সিঐচ বিনাপাৎ সিংহনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীমচাগী কাংলুপ্তনা ৱাংজিং হায়স্কুলগী টিঐচ বাবিনা দেবীনা অনীশুবা অমসুং চাওয়াইমা হায় সেকেন্দরগী এস বিজেতানা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

অতোপ্পা নুপামচাগী সোর্ট পুট ইভেন্টতা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী এল নিলাকান্তনা অহানবা, ৱাংজিং হায়স্কুলগী সিঐচ নেপোলিয়াননা অনীশুবা অমসুং স্কুল অসিমক্কী পি সেমসননা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা ন্যু আইদিয়েল হায়স্কুলগী টিঐচ অপাবী দেবীনা অহানবা পোজিসন, চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী এন রোসনি অমসুং এন জিনানা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোই ৫০ না শরুক য়াখিবনি।

# এআইএফএফনা খনগৎলবা ষ্টেটকী য়ু–১৭ নুপীমচা ফুটবোল্লর ৭ ন্যু দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ



চহি অসিগী পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স গেমস ২০১৮ গী অন্দর–১৭ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া টিমগীদমক ষ্টেট অসিদগী খনগৎলবা নুপীমচা ৭ ন্যু দিল্লিগী সাই কমপ্লেক্সতা জুলাই ১দগী ১৫ ফাওবা অন্দর–১৭ ৱুমেন্স টিমগী কোচিং কেম্প পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ষ্টেটকী শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ষ্টেট অসিদগী খনগৎখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এসঐচ মোনিকা দেবী, এন খুসি চনু, য়ু পুস্পারানি দেবী, ৱাই পাকপী দেবী, টিঐচ ক্রিটিনা দেবী, টিঐচ বেবিসনা দেবী অমসুং এল বেবিদোলি নি।

# ষ্টেট বোদি বিল্ডিং টিম শেম্নবা প্রি ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ




ওল মণিপুর জিম্নাসিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসি শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা লৈবা ফিটনেস ৱার্ল্ড দা ষ্টেট বোদি বিল্ডিং টিম শেম্নবগীদমক প্রি ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা পাঙথোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা প্রি ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদগী শান্নরোই ২৪ খনগৎখ্রে।

পাঙথোকখিবা প্রি–ত্রাইয়েল অসি চহি অসিগী ওক্টোবর ২দগী ৮ ফাওবা পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫২ শুবা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং থাইলেন্দগী চিয়াংমাইদা দিসেম্বর ১১ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা ৱার্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়ন্সিপ অনী অসিদা ইন্দিয়ান টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক ইন্দিয়ান বোদি বিল্ডর্স ফেদরেসননা শিন্দুনা ওগষ্টকী ৩১দগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিগী মাংওইননা পাঙথোকপনি।

খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি য়ুজিএমগী এল নিতা (সেনিয়র ৫৫ কেজি), এমপিএসসিগী কে ঐচ হেমন্ত, রোয়েল জিমগী এল রোবার্ট, পিএফসিগী এল গোপেশ্বর (সেনিয়র ৬০ কেজি), কেএফসিগী এস রোবার্ট, ইসি জিমগী এ বিকান্দ (সেনিয়র ৬৫ কেজি), এনপিএসসিগী দব্লিউ কিরন (সেনিয়র ৭০ কেজি), এমপিএসসিগী টি আরনোল্ড অমসুং এল সুবাসচন্দ্র (সেনিয়র ৭৫ কেজি), এমপিএসসিগী এন জি সুরচন্দ্র অমসুং লিয়াংতোং মোরেগী দব্লিউ প্রিয়োবট্টা (সেনিয়র ৮০ কেজি ), এমসিএসসিগী আর কে মাঞ্জিৎ (সেনিয়র ৮৫ কেজি), রোয়েল জিমগী মেলসন এন কে (সেনিয়র ৯০ কেজি মথক ), তা চাপ্পা মোরেগী এম হেনরি, কেএফসি ৱাই লুৱাংঙম্বা, আর দি ফিটনেসকী এল দিসেন (জুনিয়র কেজি ৭০ মখা), সঙাই জিমগী রাকেস নেপ্রাম (জুনিয়র ৭০ কেজি মথক), ৱাইপিআইএসএমগী সি ঐচ ইন্দিরা (মাষ্টর চহি ৬০ মথক্কী), আর এফ এ থৌবালগী টি ঐচ রিতা অমসুং দব্লিউ জমুনা (ৱুমেন বোদি বিল্ডিং), রোয়েল জিমগী জান্সি এম (ৱুমেন ফিটনেস), এমপিজিমগী মেধজিৎ পেবাম, তাচপ্পা মোরেগী হাওবোইলেন হাওকিপ অমসুং এমএমজিমগী দব্লিউ সিতলজিৎ (মেন্স ফিটনেস) নি।

# ওল মণিপুর ফুটবোল রেফরি ফ্রেটর্নিটিগী এনুয়েল গেট টুগেটরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ



ওল মণিপুর ফুটবোল রেফরি ফ্রেটর্নিটিগী এনুয়েল গেট টুগেদরগী থৌরম অমা ফুটবোল রেফরি ৱেলফিয়র কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা দিএসএ গ্রাউন্দ ককচিং দা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এএমএফএ গী রেফরি বোর্দ কী চিয়রমেন ৱাই মঙ্গোলজাও এএমএফএ গী হেদ ওফ রেফরি য়াদবচন্দ্র হাওবম, এএমএফএ গী রেফরি ইন্সট্রক্টর এল য়াইমা অমদি মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্কী মেটচ কম্মিসনশিংনা অমুক অমুক পুন্দ্রগদি মশান্ন অসিগী নিয়ম কানুনগী মতাংদা ওইরবসু খন্নবা তান্নবা দরকার ওই অসুম্না পুনলগদি থবক খুদিংমক্তা মায় পাক্না পাংথোক্কুনা অফবা রেফরি কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্তগী লাকপা রেফরিশিংনা এক্সিবিসন মেটচ অমসু শান্নখি।

## লাইশ্রমখুল অমসুং নোংদোন লাইরেম্বী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ

ওল হৈলা কান্দি দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন অমদি বিরটিকেন্দ্রজিৎ স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসননা খুৎশম্নদুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ইবেমহল নিংশিং ইনভাইটেসন লিদ কম নোক আউত নুপী খুৎ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা লাইশ্রমখুল অমসুং নোংদোন লাইরেম্বী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল ১৩–১৩ ফঙদুনা দ্রো ওইখ্রে।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা কাং খুৎ ১২না গ্রুপ অহুম থোক্তুনা শরুক য়ারি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা বির টিকেন্দ্রজিৎ–এ অমসুং এল কে কে অদুগা অনীশুবা মেটচতা বিটি–বি অমসুং উমং লাই পাঙ্গনবা অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# থোংজু কেন্দ্র গেমস লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ

থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লব এসোসিয়েসন (টিয়ুসিএ) না চহি অসিগী মেগী ৩১ দগী জুন ১০ ফাওবা চত্থরকপা ৫রক শুবা থোংজু কেন্দ্র গেমস ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মশান্নদা কয়াদা থোংজু কেন্দ্রগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াখিবা গেমস অদুদা মকোক মথং তারবা শান্নরোইশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী ক্লাস ১০ অমদি ১২ দা মার্ক ৱাংনা মায়পাক্লকপা মহৈরোইশিংবুসু ওকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা নিংঙোমথোং মেলা লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱার্ক মিনিষ্টর এল জয়ান্তকুমার, পিঐচইদি মিনিষ্টর লোসি দিখো, ওইনাম কন্সষ্টিট্যুসনগী এমএলএ এল রধাকিশ্বর অমদি টিয়ুসিএ গী প্রসিদেন্ট সিঐচ সামু না অথোইবা মীথুংলেন, অথোইবা লেংবিরকপা অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# এএমএমএএ না খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০১ঃ

গ্লোবেল ইন্টরনেসনেল মার্সেল আর্ট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মফম অনীদা ভুগেশ্বরি ফুকানানি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমসুং স্পোর্টস এনইজেৎসিসি দা সেপ্টেম্বর ২৮ দগী ৩০ ফাওবা অমসুং ওক্টোবর ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা এন্যুয়েল নেসনেল মার্সেল আর্ট গেমস এন্দ ফেষ্টিভেল অমসুং ইন্টরনেসনেল রেফরি জর্জ গ্রেদিং সেমিনরদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৬০ অমসুং ওফিসিয়েল ১০ শরুক য়াগনি হায়না ওল মণিপুর মার্সেল আর্টস এসোসিয়েসননা খঙহল্লক্লি।

মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা গেম অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১৫০০ রোমনা শরুক য়াগনি।

অদুগা রেফরি গ্রেদিং সেমিনরদা য়ুনাইটেদ কিংদমদগী হৌজিক হৌজিক ইন্টরনেসনেল কম্মিস্নর ওইরিবা অমসুং ৱার্ল্ড মুইথাই ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ফমসু পুরিবা মাষ্টর কেবিন লুৱেৎসু শরুক য়াগনি।

মখাতানা অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিয়েসন অসিদা নত্রগনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মার্সেল আর্ট ফেদরেসন শিংজমৈ চিংঙামথক তেনিস কোর্টতা লৈবা ওফিসতগী থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*